# ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী প্রাইভেট স্পোর্টস একাদমী ৫০০দা শেলগী মতেং পীগদৌরি



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎপা অহানবা খোংথাং অমা ওইনা খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা প্রাইভেট স্পোর্টস একাদমী ৫০০দা চৎলিবা সিজন ২০২০-২০২১দগী হৌরগা মথংগী চহী ৪গী ওইবা শেলগী মতেং পীগদৌরি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা পায়খৎকদৌরিবা খোংথাং অসিগী মখাদা প্রাইভেট স্পোর্টস একাদমীশিং অসি তোঙান-তোঙানবা কেটগরিদা থমগদৌরি। একাদমী অদুদগী হৌরকপা শান্নরোয়শিং অদুগী এচিবমেন্ট, একাদমী অদুদা লৈরিবা কোচশিংগী থাক, একাদমী অদুদা লৈরিবা শান্নবুংশিংগী ক্বালিটি লোয়ননা অতোপ্পা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি স্পোর্টস সাইন্স অমসুং ষ্টাফশিংগী ক্বালিটিসু য়েংগদৌরি। লৈঙাক্লা কুমজা ২০২৮গী ওলিম্পিক গেমসতা থল্লিবা পান্দম অদুগী মনুং চন্না দিসিপ্লিন ১৪দা মেদল ফংনবা হোৎনগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা একাদমীশিং অসিনা খুদোংচাবা লৌহনগদৌরিবনি।

ৱারেপ অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্লা অসিগুম্বা ইন্সটিট্যুটশিং অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা লৈবাক অসিগী মনুং হুৎচিন্না লৈবা মফমশিংদগী অফবা টেলেন্ট কয়া অমা পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা অপীকপা স্পোর্টস একাদমী কয়া অমা লৈরি। মখোয়না অফবা শান্নরোয় কয়া অমা মশকখঙদোক্তুনা পুথোকপা ঙম্লিবনি। হন্দক্কী লৈঙাক্কী খোংথাং অসিনা অসিগুম্বা একাদমীশিং অসিবু পুক্লিং থৌগৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, রিসোর্চ অমসুং স্পোর্টস সাইন্সকী থাক অদুসু হেনগৎহন্দুনা শান্নরোয়শিং অদুনা খ্বায়দগী হেন্না ফবা ট্রেনিং ফংবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ওলিম্পিকক্সতা শুটিংগী মেদল ফংবা ঙমখ্রবা গগন নারঙনা মশাগী ওইবা গগন নারঙ স্পোর্টস ফাউন্ডেসনগী মখাদা রন ফোর গ্লোরি হায়না মীংথোনবা প্রাইভেট স্পোর্টস একাগমী চলাইরিবনি। মহাক্না হায়, হন্দক লৈঙাক্না লৌরকপা ৱারেপ অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মসিনা প্রাইভেট স্পোর্টস একাদমী চলাইরিবশিংদা অনৌবা থৌনা অমা পীদুনা হান্না লৈরম্বা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং হেন্না থাক ৱাংহনবা অমসুং মালেমগী থাক্তা লৈরিবা অতোপ্পা একাদমীশিংগা লেং মান্নহনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি।

অনৌবা স্কিম অসিগী মখাদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা থবক খুদিংমক পাইখৎকদৌরি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগা খন্ন-নৈনদুনা একাদমীশিং অসিগী গ্রেদিং অমসুং কেটগরাইজেসনগী মতাংদা ৱারেপ লৌগদৌরি। ওলিম্পিক্কী ওইনা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা দিস্লিপিনশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী মেদলগী টার্গেট তৌগদৌরিবা অসি দিসিপ্লিন ১৪নি। হায়রিবা দিসিপ্লিনশিং অসিদা অহেনবা প্রিফরেন্স পীদুনা কুমজা ২০২৮গী ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মেদল লৌবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরিবনি।

লোয়ননা একাদমীশিং অসিদা মরু ওইনা স্পোর্টস সাইন্সকী খুদোংচাবা ফংহন্নবা য়াম্না কন্না মীৎয়েং চঙগদৌরি। মরক অসিদা মশাগীসু একাদমী অমা চলাইরিবা ইন্দিয়াগী নেসনল বেদমিন্টন কোচ ওইরিবা পুলেলা গোপিচান্দনা লৈঙাক অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা স্পোর্টস ইকোসিষ্টম অমা নৌনা উবা ফংলগনি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী নুপী রেফরিশিংনা আই-লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচশিংবু অথুবদা ওফিসিএট তৌরগনি: রবিসনকর



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপী রেফরিশিংনা অথুবা মতমদা লৈবাক অসিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা নুপাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা আই-লীগকী মেটচশিংদা ওফিসিএট তৌবগী খুদোংচাবা অদু অথুবা মতমদা লাক্লগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী রেফরিজ দিরেক্টর ওইরিবা রবিসনকর জেনা ফোঙদোকখ্রে।

এ আই এফ এফ টিভিগা ৱারী শান্নবা অমদা মখা তারদুনা মমাংদা ফিফা রেফরি ওইরম্লবা রবিসনকরনা হায়, ইন্দিয়াগী নুপী রেফরিশিং অসিগী পর্ফোমেন্সশিং অসি হান্না লৈরম্বা থাক্তগী য়াম্না হেনগৎপা উরে। অতেনবা মতমদা নুপা রেফরিশিংনা চথবা টেষ্টশিং অদুগা মান্ননা নুপী রেফরিশিংগীসু মান্নবা কাংলোন অমা থমদুনা অথুবা মতমদা আই-লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচশিংদা ওফিসিএট তৌহল্লগনি হায়খি।

নুপাশিংনা শান্নবা মেটচ অমদা নুপা শান্নরোয়শিংবু কন্ট্রোল তৌবা হায়বসি ফিজিকেল্লি অমসুং মেন্টেল্লি থাক ৱাংদবা য়ারোই। মরম অদুনা নুপী রেফরিশিং অসি নুপাগী ফিটনেস টেষ্ট অদুগা মান্ননা টেষ্ট মায়পাকপা মথৌ তারি। মসিম্মক নুপী রেফরিশিং অসিগী মায়কৈদগী পাঙথোকপা ঙম্বগী অচৌবা থাজবা লৈ।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপী ওফিসলশিংগী মনুংদা ফুটবোলগী খ্বায়দগী চাওবা লুপ ওইরিবা ফিফাগী ইলিট পেনেলদা ৮না রেফরি ওইরি। অদুগা অতোপ্পা ১০ অমনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইরি। মখোয়শিংগী মনুংদা মণিপুরদগী তেকচম রঞ্জিতা অমসুং কানিকা বর্মন নৌনা পেনেল অসিদা য়াওবা ঙমখি।

পনবা য়াই, রঞ্জিতা এসিয়াগী ওইনা মকোক থোংবা নুপী ফুটবোল ওফিসল অমা ওইরি।

রিওলাং ধর অমসুং উভেনা ফর্নাদেজনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইনা পেনেল অসিদা শরুক য়ারকপনি। উভেনানা কুমজা ২০১৪দগী এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইনা শরুক য়ারকখি। রঞ্জিতা অমসুং রিওলাং ধরনা কুমজা ২০১৮দা রেফরি ওইনা পেনেল অসিদা য়াওখি। অদুগা কনিকা বর্মননা খ্বায়দগী নৌনা চহী অসিদ ইলিট পেনেলদা য়াওবা ঙমখিবনি।

রবিসনকরনা হায়, ইন্দিয়ন ৱুমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিনা ইন্দিয়াগী নুপী রেফরিশিংবু মখোয়না লৈরিবা থাক অদু হান্নদগী হেনগৎহনবদা য়াম্না অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি। লীগ অসিগী মেটচশিংদা নুপী রেফরি অমসুং এসিষ্টেন্ট রেফরিশিংগী পর্ফোমেন্স য়াম্না ফজনা লৈরি।

হৌজিক লৈরিবা ওফিসলশিং অসিদা নত্তনা অনৌবা থৱায় য়াওবা অনৌবা ওফিসল কয়াসু লাকখিগনি হায়না রবিসনকরনা মখা তাখি।

# ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরন কেরি চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



কেরি, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী):
য়ু এস এগী কেরি সিটিদা থা অসিগী ৯দগী হৌরকখিবা কেরি চেলেঞ্জর হায়নসু খঙনবা এ টি পি চেলেঞ্জর টুরগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা অটলান্টিক টায়র চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী প্রজনিশ গুনেশ্বরন সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

গুনেশ্বরননা য়ু এস দোল্লর ৫২০৮০গী শেলগী মনা লৈবা হার্দ কোর্ট টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ব্রাজিলগী শান্নরোয় থোমাস বেলুচিবু অকনবা লম্বা অমদা সেট ২-১দা থোইবা ঙমখি।

অহানবা সেট প্রজনিশ গুনেশ্বরনগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ব্রাজিলগী থোমাস বেলুচিনা ৬-৩দা থোইবা ঙমখি। মখা তানা শান্নখিবা অনীশুবা সেটতা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ১৪৬তা লৈরিবা গুনেশ্বরননা অকনবা লম্বা পীরক্তুনা শান্নরোয় অনী গেম ৫-৫ মান্নরগা লৈখি। সেট অদুগী মখা তারকপা গেম অনী গুনেশ্বরননা থোইদুনা ৭-৫দা মায় পাকপদগী অহুমশুবা সেট শান্নবা তাখি।

অহুমশুবা সেট অদুসু হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদনা গেম ৬-৬ মান্নরকপদগী টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

সেমীফাইনেলদা গুনেশ্বরননা দেনমার্ককী ৱর্ল্ড নম্বর ১৯৮ মাইকেল টোর্পিগার্দকা লম্বা তৌনরগনি। টোর্পিগার্দনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এস এগী বি নকাসিমাবু ৬-২, ৩-৬, ৭-৫দা থোইরমখি।

অতোপ্পা সেমীফাইনেল মেটচ অমদনা কলম্বীয়াগী দি ঈ গলান অমসুং য়ু এস এগী টুর্নামেন্ট অসিদা ২শুবা সিদেদ ওইরিবা দি কুদলাগা শান্নগদৌরি।

# সাউথ অমেরিকান ক্বালিফায়রদা ব্রাজিল, উরুগুৱে অমসুং চিলি মায় পাকপা ঙমখ্রে



সাও পাওলো, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী):
কুমজা ২০২২দা কটারদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইবা সাউথ অমেরিকাগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা ব্রাজিল, উরুগুৱে অমসুং চিলি মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং অদু মায় পাকপা ঙমখি।

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা টিম অদুগী সিটি সাও পাওলোদা লৈবা মোরুম্বী ষ্টেদিয়মদা ভেনিজুৱেলাগা লম্বা তৌনখি। টিম ১০গী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদা ঙরাংগী মেটচ অদুগী মাংওইননা অর্জেন্টিনানা মেটচ অহুমদা পোইন্ট ৭ ফংলগা মাংজিল থারম্বনি। অদুগা ব্রাজিলনা পোইন্ট ৬ ফংলগা ২শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাংগী মেটচ অদু ব্রাজিলগী মায়কৈদগী ভেনিজুৱেলাগী হাফতা বোল পুশিনবগী চাং য়েংনরুবদা ৱাংখি। অদুবু অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মেটচকী ৬৬শুবা মেটচতা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা ফর্মিনোনা টিম অদুগী পাঞ্জল চন্দুনা ভেনিজুৱেলাবু মাংজিল থাদুনা লৈখি। মখা তারকপা মেটচকী পুংখায় ফারক্তৃবা মতম অদুদা ভেনিজুৱেলাগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরক্লবসু ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

ভেনিজুৱেলাগী টিম অমসুং বোলিভিয়া রাউন্দ অহুম লোইশিল্লকপা ফাওবদা মেটচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি। ব্রাজিলনা ঙরাং মায় পাকখিবা অসি থারগা রাউন্দ অহুম্মক থোইদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা টেবলগী মাংজিল থাবা ঙম্লি। ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা উরুগুৱেনা কলম্বীয়াবু ৩-০দা থোইখি। মেটচকী হৌরকপা ৫শুবা মিনটতা উরুগুৱেগী কবানিনা একাউন্ট হাংদোকখি। স্বরেজনা পেনাল্টি অমদা ৫৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা নুনেজনা ৭৩শুবা মিনটতা চনখি।

অমরোমদা, চিলিগী মায়কৈদগী ভিদালনা পাঞ্জল ২ চল্লগা পেরুবু থোইখি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৪(ঐচ এন এস):
জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ডা. কে খম্বনা থা অসিগী ১২গী নুমিদাংদা লৈখিদবদা জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম ইবোমচানা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদু ঙসি জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মেম্বরশিং য়াওনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এ কে ঝলজিৎনা চ্যের লৌরগা এসোসিএসন অসিগী চীপ পেট্রোন ওইরিবা ৱাংখেম এ সীগী এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রগী বাবুপারাদা লৈবা ক্বার্টরদা মিনট ২ তুমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবা ডা. কে খম্ববু ইকায় খুম্নখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**সোরোখাইবম ওজিৎ, লমদিং**

ময়াই কাবা চিঙ্গাক মখল নম্বর ৪, দল্লিয়ু ৱাই, এস পি টেব্লেট অমদি এন-১০ নচিংবা কয়া ফোংনা য়োন্দুনা লমদম অসিগী চহী নৌরিবা নহা কয়াগী মথক্তা লান্দারক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি ওভর দোজদা শিখ্রে অমদি কয়া অমনা এদিক্ট চুদুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক ৱাৎপা য়াদবনা ৱানা পুন্সি লেল্লি। অদুগা কয়া অমনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক অদু চাবা ফংননবা কৈরোই-লৈকায়দগী অফঙ-অফঙবা পোৎচৈ, গাড়ি হুরাল্লি। অমরোমদা ইম্ফাল ময়োলগী মফম কয়াদা দ্রগ অদুমক ফোংনা য়োল্লি অমদি ফোংনা কাপ্পি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লম্বী চৎলিবা মীয়াম্নসু কুম্মৈগুম য়েংনৈ, লৈঙাক্নসু ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তা লাইচুরবা মীওইশিং অসিগীদমক অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপীবগী মমিসু তাদে। এদিক্ট ওইখ্রবা নহাশিংগী মমা-মপা কয়ানা থম্মোয় লায়মন ওইদুনা ৱাখল মৈশা লাংনা পুন্সি লেল্লি। পোকঙমদনা পোকপা তাংলবা মীওইপোক অসি দ্রগ এদিক্ট ওইখিবদগী মখোয়গী পুন্সি লম্বীগী নাকলদা তাবা চেথি-চেগুমগা পাঙ্খক ওইনা শিবা ঙাইনা পুন্সি লেল্লি। মখোয়শিং অসি কনাগুম্বা মমা-মপা কয়াগী ফীজিগী মনি ওইরম্বনি। অসিগুল্লবা এদিক্ট লৈরবা নহাশিংগীদমক লৈঙাক, ক্লব, ওর্গনাইজেসন, এন জি ও, এসোসিয়সন অমদি লৈবাক মীয়াম পুন্না করিগুম্বা অখন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎতুনা কন্ননবা হোৎনহৌদ্রবদি তুংগী য়ুম্বিরেল ওইগদৌরিবা নহারোল কয়া খাঙুথক্তা পীখমনখিদুনা লৈবাক অসি অৱাবদা তারগনি।



**পুয়াম অচৌ, শিখোং বাজার**

নোংম-নোংমগী কোভিদ-১৯না শিবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। লায়না অসিনা ফবগী চাংসু ইন্দিয়াগী ওইনা চাদা ৯৩.০৫ ওইরি। লোয়ননা মীয়াম্না চেকশিন্দবগী চাংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। বাই-ইলেক্সনগী রিজল্ট লাকখিবা নুমীৎ, দিৱালি অমদি নিংঙোল চাক্কৌবগী পোৎচৈ লৈনরিবশিংদা লায়চৎ অসি কিবগী মমি তাদে। লৈঙাক খক্তনা চৎন-কাংলোনশিং ঙাকউ হায়না লাউরবসু মীয়াম্না ঙাক্না চৎত্রবদি কান্নবা ফংলোই। ইশা-ইশানা ৱাখল তাবা অমা চঙই। কোভিদ-১৯না শিরিবসি চহি ৫০গী মথক্কী মীওইশিংনা অয়াম্বনি। মসিনা তাকপদি অহল ওইবশিংদি তঙাইফদনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্না চৎপা মথৌ তাই। অমরোমদা কোভিদ-১৯দগী হেন্না শাথিবা হায়রগদি পোৎচৈগী মমল কা হেন্না তাংখৎলকপা, শুফম-নোমফম খঙদবা, তুংগী য়ুম্বিরেলশিংবু মহৈ তম্বা ফংহন্দবা, চাক্কৌবগী দখিনাদা হিদান্নবা অসিনচিংবনি। কুম্মৈ ফিয়োংগী মরুমদা কোভিদ-১৯ শন্দোরক্নবগী মচাক অমা ওইরক্নবগী থৌওং অসি থিংননবগীদমক লৈঙাক্না থৌরাং-থৌশিল লৌখৎপীয়ু। এস ও পি নিংথিনা ঙাক্তুনা থবক শু-নোম্নবা হোৎনসি, চৎন-কাংলোন ঙাক্লবদি লাইচৎ অসি লায়না মায়থিবা পীবা ঙমগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সনা রসিয়াগী একাটেরিনা অলিজান্দ্রোভা থোইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে



লিঞ্জ, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী):
ওষ্ট্রিয়াগী লিঞ্জ সিটিদা পাঙথোকপা দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা অপ্পর লেদিজ লিঞ্জ ওপন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সনা রসিয়াগী একাটেরিনা অলিজান্দ্রোভাবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেলদা এলিজ মার্টেন্সনা অলিজান্দ্রোভাগা লম্বা তৌনরকপদা রসিয়াগী শান্নরোয় অদুনা হৌবদগী খুদুম চন্দুনা সর্ভিস গেম অহুম ব্রেক তৌখিবগা লোয়ননা মার্টেন্সপু ৬-১দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী মার্টেন্সনা অহানবা সেট অদুগী ওন্ন-তৈনবদা মরিশুবা সিদেদ ওইরিবী অলিজান্দ্রোভাগী সর্ভিস গেম অহুম অমুক ব্রেক তৌবা ঙম্বদগী ৬-১দা থোইরগা সেমীফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমমম্ মান্নদুনা লৈখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোয় অনী লেং য়াম্না মান্নরকখি। গেম ১০শুবা ফাওবা গেম ৫-৫ মান্নদুনা লৈরকপদগী ১১শুবা অমদি ১২শুবা গেম অনীমক মার্টেন্সনা থোইবা ঙমখিবদগী সেমীফাইনেল মেটচ অদু সেট ২-১দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মার্টেন্সনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রেজিকোভা অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ বেলারুস্কি অরিনা সবালেঙ্কা অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ প্যের ওইরিবা চেক রিপব্লিককী প্যের এল রাদেকা অমসুং কে সিনিয়াকোভা ফাইনেল য়ৌখি। মখোয়না সেমীফাইনেলদা অহুমশুবা সিদেদ স্পেনগী সোরিবস টোর্মো অমসুং রোমানিয়াগী আই বারাবু ৬-৩, ৩-৬, ১০-৫দা থোইরমখি।

# এ সী মিলানগী কোচ পিওলি কোভিদ পোজিটিভ ওইরে



মিলান, নবেম্বর ১৪(এজেন্সী):
ইটালিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব এ সী মিলানগী কোচ ষ্টেফানো পিওলি কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।


পনবা য়াবদি, ক্লব অসিগী শান্নরোয় জলাটান ইব্রাহিমোবিচ অমসুং জিয়ান লুকা দোনারুমাসু মমাংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরুরবনি। থাংজ নুমীৎতা টেষ্ট তৌখিবা অদুদা মশাগী চহী ৫০ শুরবা কোচ ষ্টেফানো পিওলি খক্তমক পোজিটিভ ওইরগা অতোপ্পা ক্লবকী মেম্বরশিং অদুদি নেগেটিভ ওইরকপনি। লাইওং উৎতবা পিওলি ময়ুমদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরি। সেরি এদা এ সী মিলাননা মেটচ ৭ শান্নবদা পোইন্ট ১৭ ফংলগা পোইন্ট টেবলগী মকোক থোংদুনা লৈরি। ক্লব অসিনা থা অসিগী ২২দা নাপোলিগা ৮শুবা গেম শান্নগদৌরি।



HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)



HL/B/6497/3/11-31/12



HL-B/6504/8/11-4/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com